# চৎলিবা চহীচা অসি ইন্দিয়া অমসুং চাইনাগীনি : প্রাইম মিনিষ্টর মোদি



ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১১ (এজেন্সী) : চৎলিবা চহীচা অসি এসিয়নশিংগীদমক্তনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ফোঙদোকখ্রে।

স্বামি বিবেকানন্দনা চিকাগোদা ৱা ঙাংখিবগী ১২৫ শুবা কুমওন অমসুং দিনদয়াল উপধ্যায়গী ১০০ শুবা কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা মহৈরোয়শিংগী কনভেন্সন অমদা প্রাইম মিনিষ্টরনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না হায়খি, 'ৱান এসিয়া' গী ৱাখল্লোন ইহান হান্না পুথোকখিবসি বিবেকানন্দনি। চৎলিবা চহীচা অসিদা এসিয়ানা হীরম খূদিংমক্তা মাঙজিল থারে হায়বা মালেমগী মীয়াম্না ময়েক শেংনা খঙনরবা ৱাফমনি। মরুওইনা চাইনা অমসুং ইন্দিয়ানা মালেমদা মাঙজিল থাবা লৈবাক অমা ওইবা ঙম্লক্লি।

কোলেজশিংদা রোজ ডেগী থৌরম পাঙথোকপদা অকায়বা লৈতে হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীয়াম্না রোজ ডে পাঙথোকপগী মহুৎ কেরলা ডে নৎত্রগা সিখ ডে নৎত্রগা পঞ্জাব ডে পাঙথোক্তুনা নাৎকী মতুং ইন্না থবক তৌনবা হোৎনগদবনি।

লু-নালহন্নবগী মতাংদা থবক তৌরিবা মীওইশিংবু থাগৎপা ফোঙদোক্লদুনা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, মীপূম খূদিংমক্না টোইলেট হান্না শারগা লাইশঙ কোন্না শাবগী ৱাখল্লোন চেনগদবনি। শেল তিংনা ডোক্টর য়েংবগী মহুৎতা অকোইবগী ফিভম লু-নান্না থম্নবা হোৎনগদবনি। গঙ্গা তুরেল নোংম-নোংমগী মোৎপা হেনজিল্লক্লগা তুরেল অসিদা লাইনিংলাইশোনগা মরী লৈননা মৌনি লুপ্পগী কান্নবা লৈতে।

মহৈরোয়শিংনা পোলিটিক্সতা খোঙদাবগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, মহৈরোয়শিংগী লূপ অমত্তনা ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী মীখলগা মরী লৈননা কেম্পেন চথবদা লু-নানবগী ৱাফম অমত্তা ফোঙদোকপা লৈতে।

বিবেকানন্দনা পুন্সিদা কথোকখিবা পূম্নমক নৌহৌনা নীংশিংলদুনা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, ঙসিগী মীরোলনা সেপ্টেম্বর ১১ (৯/১১) হায়রগা টেররিষ্টশিংনা ন্যু য়োর্ককী ৱার্ল্ড ট্রেদ সেন্টর অমসুং ৱাশিংটনগী পেন্টাগোনদা এটেক চথখিবগী থৌওং নীংশিংনরি। ময়েক্কীদি কুমজা ১৮৯৩ গী ৯/১১ দা স্বামি বিবেকানন্দনা খুন্নাইগী ফৎতবা পূম্নমক্কী মায়োক্তা ৱা ঙাংখিবগী থৌওং অদু নীংশিংফম থোকপনি। অমেরিকনশিংনা কুমজা ১৮৯৩ গী ৯/১১ কাওথোকখিবা মরম্না অনীশুবা ৯/১১ থোকখিবনি।

মহৈরোয়শিংদা প্রাইম মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়খি, মায়থীবা য়াওদনা মায় পাকপা ঙম্লোই। ঐখোয়না মায়থীগনি হায়বগীদমক অকিবা লৈরোইদবনি। কুমজা ১৮৯৩ দা স্বামি বিবেকানন্দনা চিকাগোদা ৱা ঙাংখিবগী থৌদোক অদুবু নীংশিংদুনা 'য়ঙ ইন্দিয়া, ন্যু ইন্দিয়া' হায়বা ৱাখল্লোন্দা মহৈরোয়শিংগী কনভেন্সন অমা পাঙথোকখিবনি।

# র‌্যান গ্রুপকী নোরদর্ন জোনগী মকোক, ব্রাঞ্চ কোওর্দিনেটর পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ পীখ্রে



গুরুগ্রাম, সেপ্টেম্বর ১১ (এজেন্সী) : গুরুগ্রামদা মশাগী চহী ৭ শুবদা ঙাইরিবা নুপামচা অমা শিখিবগা মরী লৈননা র‌্যান ইন্টরনেসনল স্কুল গ্রুপকী নোরদর্ন জোনগী মকোক অমসুং ব্রাঞ্চ কোওর্দিনেটর পুলিস কষ্টদিদা নুমিৎ নীনিগী রিমান্দ পীখ্রে।

রিজনেল হেদফ্রান্সিস থোমাস অমদি ঐচ আরগী মকোক জেয়স থোমাসপু নোংমাইজিং নুমিৎকী নুমিদাংদা গুরুগ্রাম পুলিসনা ফাখিবনি। স্কুল অসিগী হেদ ক্বার্টরস মুম্বাইদা লৈ। ফারবা মীওই অনীমক জুবেনাইল জষ্টিশ এক্টকী সেক্সন ৭৫ গী মখাদা বুক তৌখি।

এক্ট অসিগী মতুংইন্না অঙাংদা তাথী-তাওইনা তৌবা মীওইশিংবু চহী ৫ দগীনা ১০ ফাওবা কৈশুমশঙদা থম্বগী চৈরাক পীবা য়াই।

মমাঙদা সুপ্রিম কোর্টনা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট, হ্যুমেন রিছোর্স দিভলপমেন্ট মিনিষ্ট্রি অমসুং হরিয়ানা গভর্ণমেন্টতা থৌদোক অসিগা মরী লৈননা চয়োল অহুমগী মনুংদা রিপোর্ট পীরক্নবা খঙহনবা লৈখ্রবনি।

লৈখিদ্রবা নুপামচা অদুগী অপোকপা বারুন থাকুরনা সুপ্রিম কোর্টতা পিটিসন অমা ফাইল তৌরদুনা থৌদোক অসিগী মতাংদা সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই)দা ইনভেষ্টিগেসন চথহন্নবা তকশিনখি। বারুন থাকুরনা হায়খি, স্কুলগী এদমিনিষ্ট্রেসনদা চাওনা অশোয়বা লৈরম্বা থেংনরে। সুপ্রিম কোর্টনা হীরম অসিগী মতাংদা অচুম্বা ৱায়েল পীরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ।

ভিক্টিমগী মায়কৈদা লেপখিবা উকিলনা হীরম অসিগা মরী লৈননা সী বি আইদা ইনভেষ্টিগেসন চথহনগদবনি অমসুং অখন্নবা ট্রাইব্যুনেল অমদা অসিগুম্বা মখলগী কেসশিং হিয়ারিং চথগদবনি হায়না তকশিনখি।

গুরগাউনগী র‌্যান ইন্টরনেসনল স্কুলদা মশাগী চহী ৭ শুবদা ঙাইরিবা মহৈরোয় অমা মঙক্তা লেন্থৎলগা হাৎতোক্লম্বগী মতাংদা মীওই কয়ানা স্কুলগী কেম্পস মপান্দা খোঙজং চঙশিল্লকপা লৈখ্রবনি। খোইশাউনরবা মমা-মপা কয়ানা স্কুল মনাক্তা লাক্তুনা থৌদোক অদুবু অকন্নবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা হীরম অসিগী মতাংদা চথরিবা ইনভেষ্টিগেসনদা পেন্দবা ফোঙদোকখি।

খোঙজং চঙশিল্লকখিবা মীয়াম্না স্কুল মনাক্তা লৈবা য়ু য়োনফম অমা মৈ থাদুনা অমাঙ-অতা থোকহনখি। পুলিসনা খোইশাউনরবা মীয়াম্বু চৈনা কন্দুনা তানখায়খি। প্রোটেষ্টরশিংনা অঙাং হাৎপদা চেন্নবা মীওই ফাগদবনি অমসুং স্কুল মেনেজমেন্টকী মথক্তা মতিক চাবা থবক লৌখৎকদবনি হায়না তকশিনখি।

খোইশাউনরবা মীয়াম্না স্কুলগী মেইন গেটতা লোনবা ছো ফক্কায়বগা লোয়ননা হীরম অসিগী মতাংদা সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই)দা থিগৎহনগদবনি হায়না তকশিনখি।

অমরোমদা, অঙাং শিখিবগী মতাংদা স্কুল মেনেজমেন্টকী মথক্তা মতিক চাবা থবক লৌখৎনবা শেম শারে হায়না হরিয়ানাগী এদ্যুকেসন মিনিষ্টর রাম বিলাস শর্ম্মনা ফোঙদোকখ্রবনি।

# ফ্লাই ওভর নিংখায়খিবা : এঞ্জিনীয়র ফারে, অতোপ্পা মীওই মরিগী মথক্তা কেস লৌখৎখ্রে



ভুবনেশ্বর, সেপ্টেম্বর ১১ (এজেন্সী) : শাবা লোইশিন্দ্রিবা ফ্লাই ওভর অমা নিংখায়রকপদা মীওই অমা শিখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা মীওই ১১ অশোক-অপন নংখিবগী মতাংদা এঞ্জিনীয়র অমা ফারে হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা অতোপ্পা মীওই মরিগী মথক্তসু পুলিসনা কেস লৌখৎখি। পুলিস কম্মিস্নর ৱাই বি খুরানিয়ানা হায়খি, ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী ৱার্ক্স দিপার্টমেন্টতা দেপ্যুটি এগজিক্যুটিব এঞ্জিনীয়র ওইবা বনসিধার প্রহরাজবু বোমিখাল মনাক্তা থোকখিবা ফ্লাই ওভর নিংখায়বগী থৌদোক্কা মরী লৈননা ফারে।

প্রহরাজ, এসিষ্টেন্ট এঞ্জিনীয়র কিশোর রাৱট অমদি পন্দা ইনফ্রা প্রোজেক্টকী দিরেক্টরগী মথক্তা কেস অমা রেজিষ্টর তৌরে হায়নসু খুরানিয়ানা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ফ্লাই ওভর নিংখায়বগী থৌদোক অদুগী মতাংদা অৱাবা ফোঙদোক্লদুনা চীফ মিনিষ্টর নবিন পাটনাইকনা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী ইমুং-মনুংদা লুপা লাখ ৫/৫ এক্স গ্রেসিয়া ওইনা পীরগনি অমসুং অশোক-অপন নংলবা মীওই খূদিংমক লেম্মা লায়েংগনি হায়না ফোঙদোকখি।

মশাগী চহী ৩৯ শুরবা সত্য পাটনাইক কৌবা লল্লোন-ইতিক তৌবা মীওই অমা মচানুপীগা লোয়ননা ফ্লাই ওভর নিংখায়বদা শিখিবনি। থৌদোক অদুদা অশোক-অপন নংলবা মীওইশিং কেপিটেল হোস্পিটাল, এইমস অমদি তোঙান-তোঙানবা হোস্পিটালশিংদা পুখৎতুনা লায়কন্নরি। পুলিস, ফায়র বৃগেদ অমসুং ওরিষা দিজাষ্টর রেপিদ এক্সন ফোর্স (ও দি আর এ এফ)কী পার্সনেলশিংনা থৌদোক থোকফমদা মী কনবা অমসুং মতেং পাংবগী থবক পায়খৎলি।

# ব্লু হ্বেল : হরিয়ানা হায় কোর্টনা সেন্টরদা নোটিশ ইস্যু তৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১১ (এজেন্সী) : ব্লু হ্বেল চেলেঞ্জ গেম থিংজিন্নবগী মতাংদা থাঙ্গৎলকপা পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন (পি আই এল) অমগা মরী লৈননা পঞ্জাব এন্দ হরিয়ানা হায় কোর্টনা ঙসি সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টতা নোটিশ থাখ্রে।

নুমিৎ ৫০ নি চঙনা শান্নগদবা ওনলাইন গেম অসিনা মরম ওইরগা মরাল লৈজদবা মীওই কয়া মশা মথন্তা শিবগী থৌদোক থোকখ্রবা মতুংদা গেম অসিবু থিংজিন্নবা পি আই এল অমা থাঙ্গৎলকখিবনি।

মমাঙদা মিনিষ্ট্রি ওফ ইলেক্ট্রোনিক্স এন্দ ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজিনা গূগল, ফেসবূক, হ্বাটসএপ্, ইন্সটাগ্রাম, মাইক্রোসোফ্ট অমদি য়াহূনচিংবা সোসল মীদিয়া জাইন্টশিংদা ওনলাইন গেম অসিগী লিঙ্ক পূম্নমক লৌথোক্লবা খঙহনবা লৈখ্রবনি।

হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎতসু বোম্বে হায় কোর্টনা ব্লু হ্বেল চেলেঞ্জ থিংনবগী মতাংদা থাঙ্গৎলকপা পি আই এল অমগা মরী লৈননা এফিদেবিট পীরক্লবা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টতা খঙহনবা লৈখ্রবনি।

ব্লু হ্বেল গেম চেলেঞ্জগা মরী লৈনবা কেসনি হায়না চিংনবা থৌদোক অমদা পোন্দিচেরি সেন্ট্রেল য়ুনিভর্সিটিগী মহৈরোয় অমা কেম্পস মনুংদা থৌরী য়ান্দুনা শিজবা লৈখ্রবনি।

কালাপেট পুলিসকী রিপোর্ট মতুংইন্না অসামদগী লাক্লগা পোন্দিচেরি য়ুনিভর্সিটিদা এম বি এ তম্লিবা সসিকুমার বোরা (২৩) কৌবা মহৈরোয় অদু হোষ্টেল মনাক্তা হৌবা উ পাম্বী অমদা থৌরী য়ান্দুনা শিজখিবনি। বোরানা মমান্নবশিংগা চেটিং তৌরম্লবা মতুংদা মশাগী কাদগী মপান থোকখ্রগা উ পাম্বী অমদা থৌরী য়ান্দুনা শিজখিবনি। মমান্নবশিংনা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না হন্দক মরক বোরানা ব্লু হ্বেল গেম শান্নবা থেংনৈ হায়রি।

# নুমিৎ ১০ নিগী মনুংদা ওবজার্ভর ২ হাপ্নবা সুপ্রিম কোর্টনা এলাহবাদ হায় কোর্টতা খঙহনখ্রে



ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১১ (এজেন্সী) : য়েৎনরিবা অযোধ্যাগী মতাংদা এলাহবাদ হায় কোর্টনা নুমিৎ ১০ নিগী মনুংদা অনৌবা ওবজার্ভর অনী খনগদবনি হায়না সুপ্রিম কোর্টনা খঙহনখ্রে।

ওবজার্ভর অমা থবক্তগী পোথাখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা অমনা হায় কোর্টতা প্রমোসন পীখিবা মরম্না নুমিৎ ১০ নিগী মনুংদা হাঙদুনা লৈরিবা ওবজার্ভর অনীগী ফম মেনশিনগদবনি হায়না অলাহবাদ হায় কোর্টকী চীফ জষ্টিশতা খঙহনখি।

য়েৎনরিবা অযোধ্যাগী মতাংদা পীখিবা অলাহবাদ হায় কোর্টকী ৱায়েল শীংনরদুনা থাঙ্গৎলকখিবা পিটিসন অমা হিয়ারিং চথনবগীদমক জজ অহুম্না শাবা সুপ্রিম কোর্টকী বেঞ্চ অমা শেমখ্রবনি। চীফ জষ্টিশ দিপক মিস্রানা লুচিংবা বেঞ্চ অদুদা য়াওরিবা অতে মেম্বরশিংদি জষ্টিশ অশোক ভুষন অমসুং জষ্টিশ অব্দুল নাজিরনি।

কুমজা ২০১৮ য়ৌদ্রিঙৈদা রাম টেম্পল অমা অযোধ্যাদা শানবা থৌরাং লৌখৎকনি হায়না ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)গী এম পি বিনয় কাটিয়ারনা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

য়েৎনরিবা রাম টেম্পলগী মতাংদা বি জে পিগী এম পি অসিনা হায়খি, অযোধ্যাদা রাম টেম্পল শাদ্রিবমখৈদি শেমগৎ-শাগৎপগী থৌরাং কয়া লৌখৎলবসু কান্নবা লৈরোই। মহৈমশিন তম্বা অমসুং ইনকম লাক্লবা থৌরাং লৌখৎলবসু থোইনা কান্নবা লৈরোই। অযোধ্যাগী মীয়াম্নসু মফম অসিদা রামগী লাইশঙ শাহন্নীংবা মরম্না অথুবা মতমদা রাম টেম্পল শানবা থৌরাং লৌখৎফম থোকই হায়না রাজ্য সভাগী এম পি অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# সরেন্দর তৌরক্লবা মিলিটেন্টশিংদা স্কিল দিভলপমেন্ট ট্রেনিং পীগদৌরি

গুৱাহাটি, সেপ্টেম্বর ১১ (এজেন্সী) : অসামদা খূৎলায় থাদোক্তুনা চঙজরক্লবা মিলিটেন্ট লিশিং ৩০ রোমদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা স্কিল দিভলপমেন্ট ট্রেনিং পীনবা থৌরাং লৌখৎলে।

অসাম স্কিল দিভলপমেন্টকী মিসন দিরেক্টর এ পি টিৱারিনা হায়খি, খূৎলায় থাদোক্তুনা চঙজরক্লবা মিলিটেন্টশিংনা তুংগী পূন্সিদা মশা মথন্তা হিংজবা ঙম্নবগী পান্দমদা স্কিল দিভলপমেন্ট ট্রেনিং পীরগনি। জেলদা লৈরিবা অতৈ মীওই খরদসু খূদোংচাবা অসি ফংহন্নবা থৌরাং লৌখৎলি।

মহাক্না হায়খি, অসামগী নহারোল ২৪,০০০ প্রাইম মিনিষ্টর কৌশাল বিকাশ যোজনাগী মখাদা ট্রেনিং পীনবা হোৎনরি। অসাম স্কিল দিভলপমেন্ট মিসননা তোঙান-তোঙানবা সেক্টর ৪০ দা ট্রেনিং পীগনি।

ওল ইন্দিয়া রেদিওগী টোক শো অমদা শরুক য়াখিবা টিৱারিনা হায়খি, খূৎলায় থাদোক্তুনা চঙজরক্লবা মিলিটেন্টশিংবু থা অসিগী লোইশিল্লকপদা ট্রেনিং পীবা হৌরগনি। তোঙান-তোঙানবা ব্লোক লেবেলদা ট্রেনিং সেন্টরশিং হাংদোক্তুনা হীরম কয়াদা মশানা মশাবু থবক পীজনবা থৌরাং লৌখৎলগনি।

অসাম স্কিল দিভলপমেন্টকী চীফ প্রোজেক্ট মেনেজর এন ধিরাজ সিংহনা হায়খি মদুদি, অসামগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা সেন্টর ওফ এক্সিলেন্স ৯ লিংখৎনবা থৌরাং তৌরি। স্কিল দিভলপমেন্ট ট্রেনিং পাঙথোকপদা চঙগদবা শেনফম পূম্নমক ষ্টেট অমদি সেন্টরনা তঞ্জায়-তঞ্জায় পুথোক্লগনি হায়রি।

খূৎলায় থাদোক্তুনা চঙজরক্লবা মিলিটেন্টশিংনা খুন্দা লৈতাহন্নবা হোৎনবদা আর্ট ওফ লিভিং ফাউন্দেসনগী মতেং লৌনবা হোৎনরগনি হায়না অসামগী চীফ মিনিষ্টর সর্বনন্দ সোনোৱালনা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। হীরম অসিগী মতাংদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা ফাউন্দেসনগা য়ানচে অমা সাইন তৌনরগনি। ফাউন্দেসনগী লুচিংবা রবি শঙ্করনা মিলিটেন্টশিংবু মহৌশাগী পূন্সিদা হল্লক্লবগী মতাংদা পূক্লিং থৌগৎপগী থৌওংবু মহাক্না থাগৎপা ফোঙদোকখি।

# অসামগী ঈচাওনা মরম ওইরগা দিষ্ট্রিক্ট মঙাগী মীওই ৭১,৮১৯ অৱাবা মায়োক্লরি



গুৱাহাটি, সেপ্টেম্বর ১১ (এজেন্সী) : হৌখিবা চয়োল অমরোম ফীভম খরা ফগৎলুরবা মতুংদা ইখঙ খঙহৌদনা অরুনাচল প্রদেশতা নোংকন্না চুরকপদগী অসামদা খঙহৌদনা ঈচাওগী ফীভম লুশিল্লকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট মঙাগী মীওই ৭১,৮১৯ ঈচাওগী অৱাবা মায়োক্লবগা লোয়ননা দিষ্ট্রিক্ট অহুমগী অঙাং ২৮,৬০০ খূদোংথীনিংঙাই ওইবা ফীভমদা লৈরে হায়রি। অসাম ষ্টেট দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওঠোরিটি (এ এস দি এম এ)গী রিপোর্টনা হায়খি, ধেমাজি, মোরিগাউন, নাগাউন অমসুং সোনিটপুরদা ঈচাওগী ফীভম লুশিল্লক্লে। খ্বাইদগী ফীভম থীনা শোক্লবা সোনিটপুরদা মীওই ৪১,৫৩৩ ঈচাওগী অৱাবা মায়োক্লরি।

নেসনল হায়ৱে ১৫ ঈশিং থুমজিনখিবদগী মীয়াম্না চৎথোকচৎশিন তৌবদা চাওনা খূদোংচাদবা মায়োক্লরে হায়না টেজপুরদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী ছোর্স অমনা ফোঙদোকখি।

অরুনাচল প্রদেশতা নোংকন্না চুবদগী রঙ্গপারা, গলিপারা অমসুং চারিদ্বারদা ঈশিং চেনশিল্লকখিবনি। হন্দক্কী নোংজু থাদা অহুল্লক শুবা ওইনা অসামদা ঈচাও থোকপদা পূন্না মীওই ১৫৯ শিখ্রে।

কাজিরঙ্গ নেসনল পার্কতা ঈশিং থুমজিল্লম্বদগী ফীভম খরা ফগৎলক্লবসু পার্ক মনুংদা ঈচাওনা অমাঙ-অতা থোকহল্লম্বগী অতেক-অকায় কয়ামরুম পৈদুনা লৈরি। অতেক-অকায়শিং শেংদোক্লবা হোৎনবদা পার্ককী ওঠোরিটিশিংনা অচৌবা অৱাবা অমা মায়োক্লরি।

পার্ক অসিগী দি এফ ও রোহিনি বলব সাইকিয়ানা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না হন্দক চহীগী ঈচাওদা কাজিরঙ্গ নেসনল পার্ককী শা ৪০১ হেন্না শিখি হায়রি। শিখ্রবা শা মখলশিংগী মনুংদা রাইনো ৩১ য়াওখি হায়নসু সাইকিয়ানা ফোঙদোকখি।

ওঠোরিটিশিংনা হন্দক্কী ঈচাওদা কয়া য়াম্না অমাঙ-অতা থোকহনখ্রবগে হায়বদু চপ চানা খঙদোক্লবা হোৎনরি। অমোৎ-অকায় পূম্নমক শেংদোক্তুনা হান্নগী মওংদা শা পূম্নমক পার্কতা পুশিল্লকপা য়ানবা হোৎনবদা মতম শাংনা চঙখিগদৌরি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ꯍꯦꯜꯄꯤꯡꯍꯦꯟꯗ

**HelpingHand Health Care**

Keisampat Konjeng Hajari Leikai, Near: Oil Pump, Tiddim Road, Imphal West.

Phone: 7085500324 / 0385-2051738

**FREE O.P.D.**

for First 4 Patient Everyday till Date 30 Sept. 2017 Time from 6 a.m.-2 p.m.

* ACUPRESSURE & PHYSICAL THERAPY
* HOMEOPATHIC

TIME : 6 AM TO 9 AM Date 13th - 16th Setp. 2017

**WANTED 3 ACUPRESSURIST**

Interview Date 15/09/2017, Time: 11. a.m. Salary Negotiable

**HELPINGHAND GROUP**

Rs.4,00,000/- (4 Lakh)

Lottery cum Tender - STOP PAYMENT SAVING SCHEME -

Half Monthly - Per Draw Rs.1000/- Lottery on 20th Sept. Join till date.

**WANTED 4 STAFFS**

| S.No. | Requirment Post | Qualification | Nos. | Salary |
|---|---|---|---|---|
| 1 | Office Supervisor | Graduate | 1 | Rs.8000 - 12000 |
| 2 | Field Executive Officer | XII Passed | 2 | Rs.5000 - 7000 |

Form Available at Office. Submission Lasted on 18th September

অশীকপা শেন্দোইদা GROUP লোনসু লৌবীয়ু !

HelpingHand Finance Service ( Office hrs. 10 pm - 5pm ) Please Visit Office. ( Govt. Registered) Head office: Paona Bazar, The Manipur Women's Co-operative Bank Building, Imphal, Phone. 0385-2051738/ 8974877505

HL-B/4122/12to21 Sept.

# দেরাগী লুচিংবা গুরমীট রাম রহিম সেক্স এদিক্টনি : দোক্টর



সিরসা, সেপ্টেম্বর ১১ (এজেন্সী) : চহী ২০ ফাদোক তাদুনা জেলদা লৈরিবা দেরা সচা সৌদাগী লুচিংবা গুরমীট রাম রহিম সিংহ সতিৰ্যাসিসনা নারবা মীওইনি হায়না জেলগী দোক্টরশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

সতিৰ্যাসিস হায়বসি তোঙানতোঙানবা নুপী কয়াগী হকচাংগী ওইবা মরী থম্নরগা অপেনবা পোকপগী থৌওংনি। রোহটক জেলদা গুরমীট রাম রহিমবু লায়েংলিবা দোক্টরশিংগী টিম অমনা হায়খি, সেক্স এদিক্ট অমা ওইরবা গুরমীট রাম রহিমনা জেল মনুংদা নুপী অমত্তা উনবা ফংদবা মরম্না লৈতাফম খঙদবগী মওং অমা উখোরক্লে। লায়না অসি লায়েংলগা ফহনবা ঙম্মী। অদুবু, হেঞ্জিনখিবা থোক্লবদি কা হেন্না খূদোংথীনিংঙাই ওইবা থৌদোক কয়া থোকহল্লকপা য়াই হায়না দোক্টর অমনা ইন্দিয়া টুদেদা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, দেরা সচা সৌদাগী হেদ ক্বার্টরসতা থিবা-হুন্বগী থবক চথরিবা সিক্যুরিটি এজেন্সীশিংনা অরোনবা শুরুংগী লম্বী অমা থেংনবা লৈখ্রে। হায়রিবা শুরুংগী লম্বী অদু গুরমীট রাম রহিমগী ক্বার্টরসগা নুপী তুংইনবীশিংগী লৈফমগা ফাওনৈ হায়রি।

হরিয়ানাগী সিরসা টাউন মনাক্তা লৈবা দেরা সচা সৌদাগী হেদ ক্বার্টরসতা চথরকখিবা থিবা-হুন্বগী থবক নোংমাইজিং নুমিৎতা লোইশিনখ্রবনি।

সিরসাগী দেরা হেদ ক্বার্টরসতা চথুবা ওপরেসন নুংথিল লোইশিল্লে। কোর্ট কম্মিস্নরনা পঞ্জাব এন্দ হরিয়ানা হায় কোর্টতা হীরম অসিগা মরী লৈনবা রিপোর্ট অমা পীশিল্লগনি হায়না হরিয়ানা গভর্ণমেন্টকী স্পোক্সমেন সটিশ মিস্রানা ফোঙদোকখি।

মখা তানা কর্ফিয়ুগী অথিংবা থল্লিবা সিরসাগী ফীভম য়েংশিল্লবা মতুংদা কর্ফিয়ু লৌথোকপা অমসুং লৌথোক্তবগী মতাংদা ৱারেপ লৌগনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

হীরম অসিগী মতাংদা থিজিল্লিবা হরিয়ানা পুলিসকী স্পেসল ইনভেষ্টিগেসন টিম (এস আই টি)না দেরা সচা সৌদা (দি এস এস)গী তুংইনবা অহুম ফাবা লৈখ্রে। হৌখিবা ওগষ্ট ২৫ দা দেরাগী লুচিংবা গুরমীট রাম রহিম সিংহবু পঞ্চকুলাদগী নাম্থোকহন্নবা থৌরাং তৌবদা চেন্নৈ হায়বগীদমক মীওই ৩ অদু ফাখিবনি।

ওগষ্ট ২৫ দা দেরাগী লুচিংবা রাম রহিমবু রেপ কেসতা মরাল লৈরে হায়না ৱায়েল পীখ্রবা মতুংদা দেরাগী তুংইনবশিংনা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা খোঙজং চঙশিল্লকখি। রাম রহিমগী পার্সনেল সিক্যুরিটি গার্দনা অরোনবা থৌরাং তৌরগা দেরাগী লুচিংবা অদুবু নাম্থোকহন্নবা হোৎনখি। অকনবা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎখিবা মরম্না থৌরাং অদু মায় পাকপা ঙমখিদবনি হায়রি।

দেরা সচা সৌদাগী লুচিংবা গুরমীট রাম রহিম সিংহবু রেপ কেসতা মরাল লৈরে হায়না লাউথোকখ্রবা মতুংদা থোকখিবা হাৎন-শুনবগী মতুং তারকপদা পুলিসনা দেরাগী হেদ ক্বার্টরসতগী নোংমৈ ৩৩ ফাগৎপা লৈখ্রবনি। ফারবা খূৎলায়শিংগী মনুংদা পিষ্টল, রিভোলভর, পোইন্ট ৩১৫ বোরগী রাইফল অমসুং শেমদোক্লবা নোংমৈ কয়ামরুম য়াওই হায়রি।

GOVERNMENT OF MANIPUR

RURAL ENGINEERING DEPARTMENT (RED)/MSRRDA

Secured Office Complex, 4th Floor, A.T. Line, Imphal.

**MEETING NOTICE**

Dated, Imphal, the 11th September, 2017

**No. 13/9/2013-MSRRDA/Meetig/556 :** Contractors of RED/MSRRDA are requested to attend a meeting with officials of RED/MSRRDA to be held on Wednesday, the 13th September, 2017 at 11:00 a.m. in the Conference Hall of RED/MSRRDA, 4th Floor, Secured Office Complex, North A.O.C. Imphal to discuss the following agenda.

**AGENDA :**

1. Phase-XI-(Batch-I & II) works and related matters.
2. Misc.

All concerned are therefore requested to attend the meeting on time without fail.

*Sd/-* **Th. Nandakishore Singh**

Chief Engineer cum E.O., RED/MSRRDA, Imphal.

HL-B/4121/12&13